# ইন্দিয়াগী ময়ায়দা লৈরিবা মধ্য প্রদেশনা মালেমগী পূক্লিং চিংশিল্লি

- অনসুমান ভারগাবা-

টুরিজম্না মধ্য প্রদেশকী মরু ওইবা শেল লাকপা অমা ওইরি। মসি খঙদবগী এম পি টুরিজম্না ষ্টেট অসিগী মফম কাদা শেমগৎলে। ঙসিদগী চহী ১৫ গী মমাঙদা হৌখিবা অদুনা হৌজিক এম পি এস টি দি সীনা ফজরবা মফম ৬৫ শেগত্তুনা ফাইভ ষ্টার হোটেলশিংগা চাংদম্নবা য়াবা লৈফম অমসুং চানবা ফংহল্লি।

লৈবাক অসিদা পায়খৎপা খ্বাইদগী চাউবা ভেঞ্চর অমা ওইনা লৈঙাক অসিনা লোত্তুনা লৈরম্বা ফজরবা মফম কয়া শেমগৎলে অমসুং টুরিষ্ট মেপতা অনৌবা মফম কয়া হৌজিক উরে।

লৈফম-চাফম মতিক চানা ফংদবদগী ফজরবা নৎত্রগা পুৱারীগী মরু ওইবা মফম কয়া লমকোয়বশিংনা য়ৌবা ঙমদ্রি। মসিগী অৱাৎপা অসি এম পি টুরিজম্না অফবা হোটেল কয়া হাংদোক্তুনা লমকোয়বশিং পূক্লিং চংশিনবা হৌরে।

হায়রিবা মফম অসিদা পীরিবা খুদোংচাবশিং অসি অতোপ্পা লৈঙাক্কী বোদিশিংনা তমফম অমা ওইবতা নত্তনা কমদৌনা লৈঙাক্কী লূপ অমা থবক ফজনা পাঙথোকপা ঙম্বগে হায়বা উৎলে। অতোপ্পা ষ্টেটশিংনা চপ চাবা লম্বী অমা লৈত্রিঙৈদা এম পগী ওইনদি টুরিজম চাওখৎনবা ফজনা য়াৎথোক্লবা থৌরাং অমা মাঙজৌননা লৈরে।

ঙসিদি এম পি টুরিজম ৱেবসাইত অসি সেক্তর অসিদা খ্বাইদগী ফবশিংগী মনুংদা য়াওরে। মসিনা মালেমগী মফম অমদগী ওনলাইন্দা কা বুক তৌবা অমসুং অতৈ থবকশিংগী বুক তৌবা য়ারে।

ফিল্ম নম্বদা তরাম-তরাম ওকপগীদমক হৌখিবা চহী খরা অসিদা এম পি অসি বোল্লিৱুদকী ফিল্ম নম্নবগী মরু ওইবা মফম অমা ওইরক্লে। এম পি অসি অচৌবা মীওই কয়াগী হৌরকফমনি অমসুং রাহুল দ্রাবিদ, লাতা মঙ্গেসকর, অশোক কুমার, কিশোর কুমার, ওসো, পন্দিৎ রবি সানকর, সানকর দয়াল শর্ম্মা, অসুতোস রানা, কুমার গান্ধারভ অমসুং অলাউদিন খান লমদম অসিগা মরী লৈনরি।

মধ্য প্রদেশতা টুরিজমগী শেমগৎপা য়াবা মরাং কাইনা লৈরবসু হৌজিক ফাওবা মপূং ফানা শেমগৎত্রি। ফজরবা কোনুং কয়া, লাইশঙশিং, তুরেলশিং, মহৌশাগী ফজবা লৈজরবসু মসি মালেম শীনবা থুংনা খঙহনবা ঙমদ্রি। ঐখোয়না থবক অনী পায়খৎপা হৌরে, অহানবদা মফম কয়া শেমগৎপা অমসুং অনীশুবদা গোৱা অমসুং গুজরাতকী মওংদা ব্রান্দ অমা শেমগৎনবা হোৎনবা।

ষ্টেট অসিদা অৱাৎপা কয়া লৈবদগী মহরাস্ত্র, গুজরাত অমসুং কেরলাগুম্না এম পিনা লমকোয়বা মীওই কয়া চিংশিনবা ঙমদ্রি।

এম পিনা ময়ায়দা লৈবা অচৌবা তোংজবা অমনি অমসুং ষ্টেট অসি অচৌবা সহরশিং হায়বদি লক্ষনৌ, অহমেদবাদ, বাদোদারা, ঔরাঙ্গবাদ, জয়পুর, মুম্বাই অমসুং দিল্লিদগী লাপ্পা মান্নবা মরম্না ইরায় লায়না য়ৌবা ঙম্মী। ষ্টেট অসিদা অফবা নোংথক্কী লম্বী, রেল অমসুং কংফালগী লম্বী লৈরি।

মরু ওইবা এয়রপোর্ট মরি -ইন্দোর, ভোপাল জাবালপুর অমুসং গ্বালিয়র লৈরিবা অসিগী মথক্তা খাজুরাহো অসি য়ুনেস্কো ৱর্ল্ড হেরিটেজগী মফম অমনি। সিরদি, চান্দিগর, কোলকাতা, হায়দ্রবাদ অমসুং দুবাইনচিংবা মফমশিংগা ফ্লাইটশিংনা শম্নবা হৌরে।

ময়ায় থংবা ইন্দিয়াদা ইন্দোর অসি খ্বাইদগী চাউবা সহরনি অমসুং লল্লোন-ইতিক্কী মফম অমনি। সহর অসিদা আই আই এম অমা অমসুং আই আই টি অমা লৈদুনা লাইরিক তম্ফম অমা ওইরে। সহর অসিদা টি সী এস অমসুং ইনফোসিসকী ওফিসশিং হাংদোক্লে অমসুং নহারোল কয়া থবক ফংহল্লে। এম পিগী হেন্দলুপ অমসুং হেন্দিক্রাফকী পোৎথোকশিং মালেমদা মমিং চৎলি। ষ্টেট অসিগী বাগ অমসুং চান্দেরি সারি অমসুং মাহেস্বারি মুগা য়াম্না পাম্নরি।

ষ্টেট অসিদা মালেমদা মমিং লৈরবা নেসনল পার্কশিং হায়বদি কনহা, বন্ধাভগর অমসুং পেঞ্চ লৈবগী চাওথোকচরি অমসুং মশিং য়াম্না কৈ লৈরি। এম পিদা লম্লক্তা কৈ ৫০০ হেন্না লৈদুনা টাইগর ষ্টেটকী ফিদা ফংলে।

এম পিগী উজাইন, ওনকারেশ্বার, মহেশ্বরনচিংবা মফমশিংদা লাইশঙ কয়া লৈরি। হায়রিবা লাইশঙশিং অসি পুৱারীগা মরী লৈনৈ অমসুং অরিবা মতমগী কলা অমসুং সাহিত্যদা মখোয় য়াওরি।

উজাইনগী কুম্ভ মেলা অসি মমিং চৎলি। কালিদাসকী খূৎইশিংদা উজাইন অমসুং বিদিসা পনখি। ষ্টেট অসিদা অরিবা মতমগী লাইশঙশিং মোস্কশিং, বুধিস সতুপাশিং মরাং কায়না লৈরি।

চান্দেরি, গ্বালিয়র, মহেশ্বারি, নরসিঙ্গার, ওরচা, মান্দু অমসুং ইস্লামনাগরগী লালবন্দশিং অমসুং কোনুংশিং অসিনা এম পিগী নিংথৌগী ৱারীশিং অমসুং ষ্টেট অদুদা তোঙান তোঙানবা নিংথৌ পনবা লৈবাকশিং লৈরম্বা অদু হৌজিক উবা ফংলি। এম পিগী উমংশিংদা লৈরিবা পুৱারী লৈত্রিঙৈ মমাংগী শুরুংশিং অমসুং শুরুংগী লাইশিং অসি য়ুনেস্কো হেরিটেজ সাইত্তা য়াওরি।

এম পিদা লৈরিবা চীংশিং, তুরেলশিং, পাৎশিং, প্লেতুশিং, উমংশিং, ঈশিং চাইবীশিং অমসুং দামশিং অসিনা মহৌশাগী অঙকপা কয়া পীরি। মসিদা টুরিজম দিপার্টমেন্টনা অখন্নবা মফমশিংদা এদভেঞ্চর স্পোর্টস অমসুং ইকো টুরিজমগী মফম কয়া শেমগৎপা হৌরে।

ফজরবা মফম কয়া লৈরবসু অশীন-অরাংগী লম্‌দা হৌজিক ফাওবা অৱাৎপা কয়া লৈরি। মীয়াম্না দার্জলিং নৎত্রগা সিমলাগী চাংদম্নবা মতমদা পাচমারহিগী অৱাৎপা কয়া লৈরি। মীয়াম্না পুরি নৎত্রগা হারিদৱারগী খল্লকপা মতমদা উজাইনগী অৱাৎপা লৈরি।

বোত্তিং, বঙ্গি জম্পিং, পেরা গ্লাইদিং, বেল্লুন্নিং, ত্রেক্কিং, রোক ক্লাইম্বিং, রাফতিং, কেম্পিংগী লম্‌দা মধ্য প্রদেশ য়াম্না শোত্থরি। এম পিগী অতোপ্পা খুদোংচাদবা অমনা লো অমসুং ওর্দরগী ফীভম অসিনি।

হৌখিবা চহী খরদা রেপ কেস হেনগৎলকপদগী লমকোয়বশিং থাজবা মাঙখি অমসুং অরানবা পাউজেল অমা থাদোকখি। ষ্টেট অসিগী ফজরবা মফমশিংদা মীয়াম অমুক লাক্লবা লৈঙাক্লা থবক পায়খৎপা মথৌ তাই।

কমদৌনা গোৱা অমসুং কেরলানা মালেমগী পূক্লিং চিংশিনখিবগে হায়বা অসিদা লৈরে। ফজনা এদভর্টাইজ তৌবদগী অমসুং মার্কেটিংগী লাল্লোং ফজনা হৈবদগী মসি ওইখিবনি। হায়রিবা থবকশিং অসিদা লৈঙাক্লা পূক্লিং চংবা মথৌ তাই।

অপনবা পীরিবশিংগী মনুংদা ষ্টেট অসিগী লম্বী থোংগী ফীভম অসি মরু ওইবা অমা ওইরি। লম্বী থোংগী ফীভম ফত্তনা টুরিষ্ট কয়া লাক্লিংদনবগী মরম ওইরি। ঐখোয়না হায়ৱেজশিং অমসুং সহরগী লম্বীশিং শেমগৎপা মথৌ তারি।

করিগুম্বা লৈঙাক অসিনা পায়খৎফম থোকপশিং পায়খৎত্রবদি কলচরল অমসুং পুৱারীগী অঙকপা মফমশিং অসিগী টুরিজমগী কান্নবশিং মাঙখিগনি।

মসিগী খুদোংচাদবা অসি কোকহন্নবা লৈঙাক্লা মফম অদুগী মীওইশিং ৱাখল তাহনবা অমসুং ট্রেনিং পীবা মথৌ তাই অমসুং লমকোয়বশিং লাকহন্নবা থবকশিংদা মখোয় শরুক য়াহনগদবনি। মসিনা লমকোয়বশিংগী ৱাখলদা নুংঙাইবা ফাওহনগনি অমসুং মহাক্লা অমুক্তা য়ৌদ্রিবা মফম অমা য়ৌহনবা ঙমগনি।

করিগুম্বা ঐখোয়না লমকোয়বশিং পূক্লিং চিংশিন্নবা অনৌবা লম্বীশিং থিবা ফংদ্রবদি, অহিং অমদা অহোংবা পুরকপা ঙল্লোই অমসুং টুরিজম চাওখৎপা থিন্থগনি। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## হৈনবীদগী নিশা ওল্লকপা

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

মীওইবদা নিশা হায়বসি করিগুম্বা হীরম অমদা হৈনখিবগী মদুনা মতম কুইরক্লগা থাদোকপা ঙমদবা অদুনা নিশা ওইনা ওন্থোরকপগী থৌওং অসিনি। মীওইবনা চাওখৎলকপগী মতুংইন্না অফবা ওইবা য়াই, ফত্তবা ওইবসু য়াই অতোপ্পগী মতৌ তমদুনা মদু হৈনবী ওন্থোক্লবা হোৎনবা অসি তাইবঙগী লিচৎ অমনি হায়বা য়াই। তম্বদা কান্নদবা, হৈজিনবদা ফত্তবা থবক্তি লৈতে। অদুবু তম্বদা কান্নবনি হায়দুনসু ফত্তবা হৈনবী তম্বদি ইমুং-মনুংখক্তা নত্তনা সোসাইটি ফাওবা মাঙননবগী মশক ওইহল্লকই। মসিদগী লৈবাক শিনবা থুংনা লৈখা তারকপসু য়াম্নমক লায়বা লম্বী অমনি।

নিশা হায়বসি চাবা থকপা ওইবা য়াই, করিগুম্বা অমদা হেঞ্জিন্না হৈনখিবা অদুবুনি। ময়াই কাবা পোৎ চাবগী হৈনবীসু নিশানি। য়ু থকপসু নিশানি, অহাওবা চাবগী হৈনবীসু নিশানি, ফজবা ফিরোল শেৎপগী হৈনবী অসিসু নিশানি, নুপী কোয়দুনা নুংশিবা থম্বসু নিশানি, মীগী মপোৎ পাম্বগী হৈনবী অসিসু নিশানি, অকনবা অমদি অচৌবা ৱাজাউ কয়া ঙাঙবসু নিশানি, মী খৎনগনবা মীওইসু নিশানি। মচিন কনবী নুপী, ৱা ঙাঙবদা মী পক্কনবী অসিসু নিশানি। ইমুংদা মীমাং পুমাং নাইদনা মতৈ মনাও অনী তৎতনা খৎনবা অসিসু নিশা মখল অমনি। অসিগুম্বা নিশা খুদিং হৈনবী অমদগী ওইরকপা মহয়নি। ফৎতবা হৈনবী কয়ানা ফত্তবা নিশাদা চুবা অসিমক্কী খুদম অমা হায়রগদি টৌইলেট চঙবা মতমদা চুরুট, খৈনি নুংতিগী শীজিন্নরিবা মীওই অদুনা মহাক্লা শীজিন্নরিবা পোৎলমশিং অদু ফংদ্রবা মতমদা মহাক টৌইলেট চঙবা য়াদবগী ফীভম লাকপা অসিনি। মসিমক নিশাদা চুখিবগী অরুবা অমনি। অসুম্না হৈনবীনা নিশা ওনবা অসি অফবা হৈনবী কয়ানা নিশা ওন্থোকপা ঙল্লবা, অফবা চিঞ্জাক চাবগী হৈনবী, ফজবা ৱাঙাঙ-শঙাঙগী হৈনবী, অফবা লমচৎ চৎপগী হৈনবী, অহাঙবা মতমদা অথোইবা কয়ানা ইবা লাইরিক পাবগী হৈনবী, পূক্লিং হকচাংবু ফনা অমসুং শেংনা থম্নবগী হৈনবী, অতোপ্পগী মাঙনবা তৌদবগী হৈনবী, মীনুংশি লৈবগী হৈনবী অসিগুম্বা অফবা হৈনবী কয়ানা থাদোকপা ঙমদবা নিশা ওল্লকপদি সোসাইটি অমসুং মরু ওইনা ইশাদা অঙকপা ফংনা কান্নবা ফংবা ঙমগনি।

অসুম্না মীওই খুদিং অফবা হৈনবী কয়াসি নিশাগুম্না লাইচুরবা লমদম অদু মাঙদা চৎখৎপা ঙম্বা, হীরম খুদিংমক্তা ৱাত্তবা, শান্তিগী তুংনফম ওইবা লমদম শোইদনা ওইফম থোকই। ঙসি ঐখোয়গী ইরক্তা কনাগুম্বা ইমুংদগী থোরকপা মীওই, অতোপ্পা ইমুংদগী থোরকপা মীওইশিং খক মান্নবা ঙমদে। ৱাঙাঙ-শাঙাঙ, লমচৎ-শাজৎতা খেন্নবা অদুম উবা ফংই। হৈনবী হায়বা অসি মমা পূক্লুংদগী মীওইবনা তাইবঙ ফাওরকপা, ঈ মতুমদগী হৈনবী কয়া মমাগী মফমদগী তম্বা হৌরকই। মমৈদা মমাদগী হেন্দোক্তুনা ইমুং-মনুংদগী অমদি অকোয়বগী মফমদগী মতৌ কয়া তমদুনা মদুনা হৈনবী ওইরকই। অসুম্না অফবা থকসি-খাসি, লমচৎ-শাজৎ ফজবা ইমুং কয়াদগী অফবা হৈনবী কয়ানা মশাদা য়োমদুনা চাউরকপনা মদুগী মমিদু অঙাং অদুদা তাদুনা মমি অদু খুন্নাই অসিদা অমুক তারকই। মদুনা মীপূম খুদিংদা থাউমৈগী মঙালগুম ঙালহনবা ঙল্লকই।

চাওখৎপগী মীংদা ফত্তবা কয়া তমলুবনা মদুনা ফত্তবা হৈনবী কয়া ওইরকই। ঙসিগী ঐখোয়গী মৈতৈ নুপীশিংদি অতোপ্পা নোংচুপলোমগী লৈবাক কয়াগা য়াম্না খেন্নবা লৈ। চাকচা, য়ুথক, ফিজেৎ চাকচাদা অতোপ্পগী মতৌ তম্বগী হৈনবী অমা লাকখ্রবদি মদুগী হৈনবী কয়া অদুনা মমৈদা থাদোকপা ঙমদবা নিশাগুম হু চেনবা অমা ওইরকপদা থোইনা অঙকপা নত্তে। মান্নদবা ইমুংদগী থোরকপা অঙাং কয়া লৈকায়দা থোরক্তুনা শান্নবদা অকাম্বা ৱাহৈ, হুরান-চিন্থি হৈনবা ইমুংগী অঙাংশিং অদু অতোপ্পা অঙাং অতৈদা ফত্তবা হৈনবী অদুগী মমি অদুম তাই।

তাইবঙ মীওইবদা চুশিনবা থুবসি ফত্তবা হৈনবীগা, অফবা হৈনবীগা অনীসি ফত্তবা হৈনবীনা খরা খিৎ মহেল্লি। অফবা হৈনবীদদি চুশিন্নবদা খরা তপ্পী। অদুনা ঐখোয়না হীরম অসিদদি য়াম্নমক চেকশিনবা মথৌ তারকই। মীওইবদি চেকশিনহৌদবা মীৎকুপ্তা লাংফমগী লাংফম ঙাক্তা থেংনৈ। মদুনা মমৈদা মহয় য়ানবা পুন্সি ওইবা ঙমদবা, মচা-মশু ফাওবা তুম্না মাঙখিবা কয়া ঐখোয়না থেংনখ্রে। ঙসিগী মালেম অসুম্না ওইরকপা নত্তে। ঙসি ঐখোয়না চারিবা থক্লিবা অমদি শীজিন্নরিবা কয়া অসি লময়ানবা কয়ানা মদুগী চাংয়েং কয়া তৌবদা হৈনবী ওইখিদুনা চোকথবা লৈতনা হোৎনখবগী মহয়নি। মরমসিদগীসু নিশা হায়বসি ফত্তবা কয়া অসুম তৎতনা হৈনবী ওইরকপগী মহয়নি। অফবা হৈনবী থম্বীবা, ফত্তবা হৈনবী খঙউ উরুদবা, নিশাগী মকোল ওইবা ৱাখলদগী লাপ্না লৈবা লোয়ননা অফবা মশক নাইবা মীওই ওইনবা হোৎনবনা অফবা মালেম অমগী আশা তৌবা য়াগনি।

*অদোমগী - এম থম্বৌ*
*ককচীং খুনৌ হিজম লৈকায়*

ꯁꯀꯣꯜ ADMISSION OPEN ꯑꯣꯏꯔꯦ
ENGLISH & RHYMES COURSES
CLASS X ENGLISH (BOSEM) EXAM ORIENTED COURSE
> SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
> RHYME TEACHERS TRAINING COURSE
[Rhymes, Computer, Teaching Method, Spoken English etc.]
SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)
Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal
Contact No. ☎ 8974642764
HL-B/4529/25oct.to23nov.

PIS Brick Field (Mechanised)
From time to time rate changeable


Brick Sample

| Class | Rate(₹) | Bricks | Gari Charge(₹) | Labour(₹) | Total(₹) |
|---|---|---|---|---|---|
| 1st | 11.90 | 2000 | 2100 | 500 | 26400 |
| 1st | 11.90 | 1500 | 1600 | 400 | 19850 |
| 2nd | 11.40 | 2000 | 2100 | 500 | 25400 |
| 2nd | 11.40 | 1500 | 1600 | 400 | 19100 |
| 1st Rej. | 11.00 | 2000 | 2100 | 500 | 24600 |
| 1st Rej. | 11.00 | 1500 | 1600 | 400 | 18500 |
| Peti | 9.50 | 2000 | 2100 | 500 | 21600 |
| Peti | 9.50 | 1500 | 1600 | 400 | 16250 |
| 3rd | 5.50 | 2000 | 2100 | 500 | 13600 |
| 3rd | 5.50 | 1500 | 1600 | 400 | 10250 |
| Chektek | 5000/-Per 1 load (Tata 407) | | 1600 | 400 | 7000 |

Contact :9862048579,8787464898
HL-P/5123/9nov. to 7jan
Wangjing Saban Chekon Leikei,Near Khongjom War Memorial Complex

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/খোঙ হাম্বা খুদিংগী শৌজ নান্থবা, নান্থবা শৌজ অদু খূৎনা ইনশিনবা, অমাংথোঙ ময়াদা মফম অনী থোক্লা পোম্বা, লোক খুবদা অমাংথোঙ মনুংদা য়াম্না নাবা, অমাংথোঙদা য়াম্না চিকপা-নাবা তৌরকপা, নাই ওমখৎলকপা, নাই অদু মেৎথোকখ্রগা নাবা-চিকপা অদু ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা নূংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ হাম্বা খুদিংগী শৌজ নান্থবা, নান্থবা শৌজ অদু মশানা অমুক হঙ্গৎলু য়াদবা, খূৎনা ইনশিনবা, ফম্বা মতমদসু নান্থবা, চৎপা মতমদসু নান্থবা, শৌজ নান্থবা অদুনা য়াম্না নুংঙাইতবা চৎপা মতমদা, খোঙ হাম্বদা অমাংথোঙ মনুং অমদি মপান্দা তৎপা, খোঙ হাম্বদা অমাংথোঙদা থুপ্পা অমদি শাবা, খোঙ হাম্বা লোইরগসু অমাংথোঙদা শারি-শারি তৌরগা লৈবা, খোঙ হাম্বা মতমদা অমুক্তদা শেংনা হামদোকপা য়াদবা, মচিৎ-মচিৎ হাম্বা, থবক চৎফম খঙদবা খোঙ মচিং মচিং হাম্বনা মরম ওইদুনা, করিগুম্বা খোঙ অকনবা হাল্লকপা মতমদা অমাংথোঙ মনুংগী তৎফম অদুদা থেংলগা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, ঈ তাবা অদু খোঙ অকনবা হামদ্রবদি অমুক ফখিবা, লোক খুবদা অমাংথোঙ মনুংদা য়াম্না নাবা, লোক খুরক্কনি খনবদা হকচাংদা পাখৎপা, অমাংথোঙদা য়াম্না চিকপা অমদি নাবা তৌরগা নাই চাবা, অমাংথোঙদা য়াম্না চিকপা অমদি শাবা তৌরগা নাই ওমখৎলকপা, নাই অদু মেৎথোক্লগনা চিকপা নাবা অদু ফখিবা, কোক ঙাওবা, ঙকশম মরী নাবা, খ্বাং নাবা, খোঙয়া শাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট এন্দ নেসনল এৱার্দ ফংলবা MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 9774274439, 8414825323 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।
লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)
HL-P/5060/15 *থাগৎচরিবা :* Y. Chingkhei Singh, Langol

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/অমাংথোঙ ময়াদা পোমথোক্লগা লৈবা, পোমথোক্লগা লৈবা অদু য়াম্না চিকপা-নাবা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, ঈ তাখিবা অদুনা মরম ওইরগা হকচাং নোংম-নোংমগী ঈ ৱাৎশিল্লকপা, পাঙ্গল শোত্থরকপা ফহনবগীদমক ওজা এম ভি অজাদ ফুসম্বু হন্না হন্না থাগৎপা ফোঙদোকচরি



ঐগী হকচাংদা নূংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোঙ ময়াদা পোমথোক্লগা লৈবা, পোমথোক্লগা লৈবা অদু য়াম্না চিকপা-নাবা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, ঈ তাখিবা অদুনা মরম ওইরগা হকচাং নোংম-নোংমগী ঈ ৱাৎশিল্লকপা, পাঙ্গল শোত্থরকপা, খোঙ হাম্বা চংগনি খনবদা হকচাংদা অকিবা পোকপা ঈ তারক্কনি খনবদা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী শৌজ নান্থবা, নান্থবা শৌজ অদু খূৎনা ইনশিনবা, শা-ঙা অমদি অহাও-অথুম কা হেন্না চাবা য়াদবা, চারগনা অমাংথোঙদা চিকপা-নাবা হেনবা অমদি ঈ তাবা হেনবা, খোঙ হাম্বদা মতম কুইনা চঙবা, খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, অমাংথোঙদা মরেং-মরেং চৎলগা হাকৎচবা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পুক কংখৎপা, পুক নাবা, গ্যাষ্ট্রিক অদুনা থবাক্তা চেনখৎলগনা থবাক নাবা, শ্বর হোনবা ৱাবা, খৌনাওদা ইফুন ফুনগৎলগা লৈবগুম তৌবা, অহিং মপূং ফানা তুম্বা য়াদবা, কোক লূম-লূম লাওরগা লৈবা, খ্বাং নাবা, ফম্বী শোনবা অদু ওজা MV Azad Phusam ☎ 7628890261/9089738275 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী ফরে।
ওজাগী লায়েংফমশিংদি :
1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Mayang Imphal Konchak Bazar (6am to 10am)
2. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (only Saturday open)
3. Yairipok Bazar near traffic point. (only Sunday & Wednesday open)
HL-P/5202/15 *থাগৎচরিবা :* A. Keshorjit, Keishampat

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/ হকচাংগী পার্টখুদিংমক শিথরকপা, চৎপা ঙমশিল্লক্তবা, চানীং-থক্লিংবা পোক্তবা, লোক থুংবা ফহনবগী ওজা MV. Kayamuddin বু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা মতম কুইনা এজমানা য়াম্না কন্না নাদুনা এজমা হারা থুংবা, লোক কংখু খুবা লোইরগা শদৌ থোংবা, তূম্বা য়াদবা, চাবা থকপা য়ারক্তবা, তাং-তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, লেংজুম মরী চিকপা-নাবা তৌবা, থবাক নাবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনগৎপা, খোঙ খূৎ শিথরকপা, হকচাংগী পার্ট খুদিংমক শিথরকপা, চৎপা ঙমশিল্লক্তবা, হকচাং চোকথবা, চানীং-থক্লিংবা পোক্তবা, লোক থুংবা, খূৎ হাইগৎপা ঙমদবা, মীহুল কা হেন্না চোংবা তৌরম্বা অদু MV. Kayamuddin Phundreimayum ☎ 8575814720, 8413870027তা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিংদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Kayamuddin বু মতম চুপ্পদা মীয়ামগী সেবা তৌবা ঙম্বা ওইসনু, মহাকপু পাউচেগী থোঙদা হন্না-হন্না থাগৎচরি।
1. Mayang Imphal Bengoon Leirak Achouba Bazar : 7.00 am to 11.00 am.
2. Hatta Minuthong near Traffic Signal Bazar : 12.00 noon to 5.00 pm.
HL-P/5004/15 *থাগৎচরিবা :* Mayengbam Johney Singh, Lamsang

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/ কবিরাজ ওজা অবদুল হকপু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি

ঐ পাইলসকী প্রোব্লেমনা মরম ওইদুনা অৱাবা কয়া খাঙদুনা লাকখি। লায়নাগী লায়ওংশিংদি - খোঙ হাম্বা খুদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, শৌজদা চাথৎপগা লোয়ননা শাবা অমদি থুপ্পা, শৌজদা ব্রি-ব্রি চৎপা, হাকৎচবা, চক-চক থিনবা, খোঙ হাম্বা লোইরগা শৌজ তারকপা, খূৎনা ইনখৎত্রি ফাওবা চংদবা, শৌজগী অকোয়বদা পোমথোরকপা, শোকপদা নাবা, খ্বাং নাবা অসিনচিংবনি। অদুবু কবিরাজ ওজা Abdul Hak, Contact No. 8014623756, 8794429681গী হীদাক চাজবদগী ঐঙোন্দা লৈরম্বা পাইলসকী লায়না মপূং ফানা ফজরে। অৱাবা নুংঙাইতবা অমত্তা লৈতরে। ওজাবু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি।
**ওজাগী লায়েংলিবা মফমশিংদি :-**
1. Wangoi SBI Awang (Fri. Sat. Sun., Mon. Tue.) (6:30-4:30 p.m.)
2. 7th MR Khabeisoi Gate, (Wed.-Thurs.) (10am-4pm)
HL-P/5090/15 *থাগৎচরিবা :* Kh. Tomal, Uripok Khaidem Leikai

ANGELS' COACHING CENTRE ꯑꯦꯟꯖꯦꯂꯁ
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY
ADMISSION OPEN CLASS X REVISION Starts on 9th December 2019 Time : 11 am to 4 pm
FOUNDATION COURSE Class 3 to10 Starts on 19th Dec., 19
TOPPERS of 2019




SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS

7th MEGA MOCK TEST

| Date | Sub. |
|---|---|
| 26/12/19 | English |
| 28/12/19 | S. Science |
| 31/12/19 | Maths |
| 03/01/20 | Science |
| 05/01/20 | Adl. Sub. |
| 07/01/20 | MIL |

Last date of Form Submission 17/12/19
PLEASE CONTACT : 7628946313 - 9402897710 - 8732022342 VAN AVAILABLE
HL-P/5783/3-30 Nov. & 1-2 Dec.